## থিঙ্ক টেঙ্ক থিংজিল্লগনি

মোস্কো, জুলাই ২৬:
মোস্কোদা লৈরম্বা য়ু এস এম্বেসেদরনা চল্লাইরম্বা থিঙ্ক টেঙ্ক অমা ওইরিবা এটলান্টিক কাউন্সিল থিংজিন্নবগী থবক পায়খৎপা হৌরে হায়না রসিয়ানা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
রসিয়াগী প্রোসিক্যুটর জেনরেলনা থিঙ্ক টেঙ্ক অদুবু সিক্যুরিটি থ্রেট অমনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

## ‘চীং নীংখায়বদা মীওই ১৫ শিরে’

রবাট, জুলাই ২৬:
মোরোকোগী এটলাস চীংজাওগী মফম অমদা লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা ভান অমা ফুজিনখিবদগী মদুদা তোংবা মীওই ১৫ শিরে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
য়ুমশকৈশাগী নুমিদাংদা চীংদগী কিন্থরকপ লৈবাক্লা ফুমজিনখিবা ভান অদুদগী নুপী ১১, নুপা ৩ অমসুং অঙাং অমগী হকচাংশিং লৌথোকখি হায়না ওথোরিশিংগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

## মাইগ্রেন্টশিং তোংবা হি লাকপদা মীওই ১১৫ শিরে



ট্রিপোলি/জিনিভা, জুলাই ২৬ (এজেন্সি):
লিবিয়াগী সমুদ্র খোংবান মনাক নক্লা মেদিটরিনিয়ন সিদা মাইগ্রেন্টশিং তোংবা হি অমা লাকখিবগী থৌদোক্তা মীওই ১১৫ রোম থিবা খঙখিদবদগী ওথোরিটিশিংনা মখোয় শিরম্লগনি হায়না থাজনরি, লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ১৩৪ না লিবিয়াগী কোষ্ট গার্দশিং অমসুং লোকেল ঙামীশিংনা ঈশিংদগী কনখ্রে হায়না লিবিয়ান নেভিগী ওফিসল অমনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
লিবিয়ান নেভিগী ওফিসলশিংনা ৱাফম অসি ফোঙদোক্ত্রিঙৈগী মমাংদা য়ু এন রেফ্যুজি এজেন্সি য়ু এন ঐচ সী আরনা হি লাকপগী থৌদোক অদুদা মীওই ১৫০ ফাওবা শিরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোকখি। চহী অসিগী ওইনা মেদিটরিনিয়ন সিদা খ্বাইদগী শাথিবা মীশি-মীনাগী থৌদোক অমা থোক্লে হায়না য়ু এন ঐচ সী আরগী মকোক ফিলিপো গ্রান্দিনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।
অয়াম্বনা ঈরিট্রিয়া অমদি সব-সহরান অফ্রিকা অমসুং অরাব লৈবাকশিংদগী ওইবা মাইগ্রেন্ট ২৫০ রোম তোংবা উগী হি অদু লিবিয়াগী কেপিটেল ট্রিপোলিগী নোংপোক্লোমদা কোমাসকী মনাক নক্লা সমুদ্র খোংবান্দগী পংলাপ লাপ্তুনা ঈশিংদা লাকখিবনি হায়না লিবিয়ান নেভীগী স্পোক্সমেন অয়ৌব কাসেন্না ফোঙদোকখি।
লিবিয়া অসি সমুদ্রদা হোনবদা মতিক চাদ্রবা হিশিং তোংদুনা য়ুরোপ য়ৌনবা হোৎনরিবা মাইগ্রেন্টশিং অমসুং রেফ্যুজিশিংগী মরু ওইবা অহানবা থুংফম ওইরিবনি। খ্বাইদগী নৌবা হি লাকপগী থৌদোক অসিগা লোয়ননা চহী অসিগী ওইনা মেদিটরিনিয়ন সিদা শিখিবা মাইগ্রেন্টশিংগী মশিং ৬০০ হেনখিবগা লোয়ননা থংন-থংনা তরুকশুবা চহী ওইনা কুমজা ২০১৯ দসু সমুদ্র অসিদা শিবা মাইগ্রেন্ট মশিং পুন্না ১০০০ দগী হেল্লবা য়াই হায়না য়ু এন ঐচ সী আরগী স্পোক্সমেন চার্লি য়াক্সলিনা ফোঙদোকখি।
মহাক্লা মখা তারদুনা মীশিংনা খুদোংথিনিঙাই ওইরবা হিগী খোঙচৎশিং অদু করিগীদমক্তা চৎলিবনো হায়বগী মরমশিং য়েংশিন্দুনা মরী লৈনবা খুদিংমক্লা লৈখায় তানবা হোৎনদ্রিফাওবদি অসিগুম্বা অৱাবগী থৌদোক অসি মখা তানা থোকখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।
লিবিয়ানা হি লাকপগী থৌদোকনচিংবা অৱাবগী থৌদোক কয়া থেংনরিবা মাইগ্রেন্টশিং অসি লোনা য়াদবা মওংদা চঙলক্লগা লৈবাক অসিবু অমুক থাদোক্তুনা চৎলিবশিংনি হায়রি। লৈবাক অসিনা মাইগ্রেন্টশিং অদুবু দিটেন্সন সেন্টরশিংদা হেক হেক থমজিনবগী থৌওং চথুদুনা লাক্লিবনি। অমরোমদা য়ু এন্না লিবিয়াদা লৈরিবা দিটেন্সন সেন্টরশিং অদু জেলগা মান্নে হায়রদুনা মফমশিং অদুগী ফিভম য়েংশিন্নবা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিদা তকশিন্দুনা লাক্লি।

## সুদান্দা মিলিটরি কাউন্সিলনা জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী মকোক ওইবা এদিটর ১ ফাজিনখ্রে



খার্তুম, জুলাই ২৬ (এজেন্সি):
সুদানগী মরু ওইবা জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী মকোক ওইনা থৌ পুরিবা এদিটর অমা ফাজিনখ্রে হায়না য়ুনিয়ন অসিনা ফোঙদোকখ্রে। জর্নেলিষ্ট অদুবু ফাখ্রবা মতুংদা সুদানিজ জর্নেলিষ্টশিংগী য়ুনিয়ন্না রুলিং ট্রাঞ্জিস্নেল মিলিটরি কাউন্সিলদা অল-সয়াহ পাউচেগী এদিটরসু ওইরিবা য়ুনিয়নগী মকোক সদিক অল রিঝাইগিবু খুদক্তা থাদোক্লবা নৎত্রগা মহাকপু ৱায়েল চথনবা তকনশিখ্রে হায়রি।
রিঝাইগিগী পাউচেদা থবক তৌবা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট অমনা এ এফ পি ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মহাকপু পাউচে অদুগী ওফিসকী মপান্দগী ফাখিবনি। মহাক কদায়দা ফারগা থল্লিবগে নৎত্রগা মহাকপু ফাবগী মরম্লচিংবা অমত্তা ঐখোয় খঙবা ঙমদে হায়না অল-সয়াহগী ন্যুজ এদিটর অৱাদ জাদ অল সয়িদনা ফোঙদোকখি। ওথোরিটিশিংনা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা মায় পাকখিদ্রে হায়না লাউথোকখ্রবা কু এটেম্পট অমগা মরী লৈননা মকোক থোংবা জেনরেল অমগা লোয়ননা সিক্যুরিটি ওফিসর অমসুং লুচিংবা কয়া ফারে হায়না মিলিটরিনা ক্লেম তৌবা লৈরিঙৈদা রিঝাইগিবু য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফাজিনখিবনি।

## নাইজিরিয়ান সিয়াইট গ্রুপকী মীওই ২০ প্রোটেষ্টতা শিরে



অবুজা, জুলাই ২৬ (এজেন্সি):
নাইজিরিয়াদা হৌখিবা চয়োল অসিদা সিয়াইট ওর্গনাইজেসন অমনা শীন্দুনা পরিং নাইনা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্টশিং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈ শীজিন্নদুনা লাকশিন্নবা হোৎনখিবদা য়ামদ্রবদা ওর্গনাইজেসন অসিগী মীওই ২০ শিরে হায়না গ্রুপ অসিগী স্পোক্সমেনশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
নাইজিরিয়ান ওথোরিটিশিংনা মখা তাবা প্রোটেষ্টশিং থিংনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং হেনগৎহল্লে হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা মীশি-মীনা থোকপগী চাং হেনগৎলক্লবসু গ্রুপ অসিনা মখা তানা শীন্দুনা প্রোটেষ্ট লেপ্তুনা চথুরকখিবনি। অশিবশিংগী মশিং ২৫ ফাওবা য়ৌরকপা য়াই হায়না ওর্গনাইজেসনগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখি।
মীশিশিং অদুগী মতাংদা কমেন্ট লৌনবা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না হোৎনবদা পুলিসনা পাউখুম পীয়ু য়াখিদে হায়রি। কোর্টনা থাদোক্লবা ওর্দর তৌখ্রবা সিয়াইট ইস্লামিক মুভমেন্ট ওফ নাইজিরিয়া (আই এম এন)গী লুচিংবা ইব্রাহিম ঝাকঝাকি থাদোক্লবা তকশিল্লদুনা গ্রুপ অসিগী মেম্বরশিংনা কেপিটেল অবুজাদা প্রোটেষ্ট খোঙচৎশিং পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। আই এম এনগী লুচিংবা অসি কুমজা ২০১৫ দগী ফাজিনখিবনি।
প্রোটেষ্টশিং অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা নাইজিরিয়ান পুলিসনা নোংমৈ অমসুং টিয়ার গ্যাস কাপখিবগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিৎকী প্রোটেষ্টকী খোঙচৎতা জর্নেলিষ্ট অমগা লোয়ননা পুলিসকী সিনিয়র ওফিসর অমসু শিখি হায়রি। শিখিবা অয়াম্বা নিংথৌকাবা নুমিৎকী প্রোটেষ্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপশিনবদগীনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা অতৈ অশোকপা মীওই ৪ দি পুলিসনা পুখ্রবা মতুংদা মখোয়গী কষ্টদিদা শিখিবনি হায়না গ্রুপ অসিগী স্পোক্সমেনশিংনা ফোঙদোকখি।
অমরোমদা, পুলিসনা প্রোটেষ্টশিং লাকশিন্নবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়রদুনাপ্রোটেষ্টরশিংদা লোগী মতুং ইন্না পেন্দবশিং ফোঙদোক্লবা আপিল তৌখ্রে হায়রি।

## মিসাইল চাংয়েং সাউথ কোরিয়াগী লান পাম্বশিংদা পীবা ৱার্নিংনি : নোর্থ কোরিয়াগী কিম জোং-উন



সিওল, জুলাই ২৬ (এজেন্সি) :
নোর্থ কোরিয়াগী ইনৌ নৌবা মিসাইল চাংয়েং সাউথ কোরিয়াগী লান পাম্বশিংদা পীবা খুৎলায়শিং লৈশিনবা অমদি জোইন্ট মিলিটরি ড্রিলশিং পাঙথোকপা লেপ্পু হায়বগী ৱার্নিং অমনি হায়না প্যোংয়াংনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
প্যোংয়াংগী মেসেজ অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতসু পান্নবা পীবনি হায়না এনালিষ্টশিংনা থাজরি। শগোলশেল নুমিত্তা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উন মশামক্লা সোর্ট-রেঞ্জ বলিষ্টিক মিসাইল অনীগী চাংয়েং য়েংখিবনি। মদু কিম্না হৌখিবা থাদা কোরিয়া অনীগী দিমিলিটরাইজ জোন্দা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা উন্নদুনা দিন্যুক্লিয়রাইজেসনগী ৱারী মখা চথুবগী ৱাফম য়ানখিবা মতুংদা পাঙথোকপা অহানবা মিসাইল চাংয়েংনি।
মিসাইল চাংয়েংশিং অদুনা কিম অমসুং ট্রম্পগী হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা হানোইদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা সম্মিট য়ানবা অমত্তা পুরক্তনা লোইশিনখিবদগী লেপ্লকখিবা দিন্যুক্লিয়রাইজেসনগী ৱারী মখা চথুবগী ৱাফমদা চিংনবা কয়া লাকহল্লি হায়না থাজনরি।
সাউথ কোরিয়ানা ঐখোয়গী সিক্যুরিটিদা হকথেংননা কিহল্লিবশিং অমদি মখা তানা কিহল্লকপা কয়া থেংননবা ঐখোয়না মতিক ময়াই লৈরবা খুৎলায় সিষ্টেমশিং পুথোকপা নত্তনা অতৈ তৌনিংঙাই লৈতে হায়না নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উনগী ৱারোল পল্লদুনা ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি কে সী এন এনা ফোঙদোকখি।
কে সী এন এগী রিপোর্ট অদুদা কিম্না ট্রম্প নৎত্রগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু অতম্বনা পনখিদ্রবসু মহাক্লা সাউথ কোরিয়ন ওথোরিটিশিংবু ট্রম্পকা অহানবা উনবদা মখা তানা পাঙথোক্লরোই হায়খ্রবা জোইন্ট মিলিটরি এক্সসাইজশিং পাঙথোক্লবা হোৎনবগীদমক্তা ক্রেসিসাইজ তৌখিবগী ৱাফম পনখি।

## পলিষ্টিনিয়নশিংনা মমাংগী এগ্রীমেন্টশিং ঙাক্লরোই : অব্বাস



রামালাহ, জুলাই ২৬ (এজেন্সি):
পলিষ্টিনিয়নশিংনা মমাংদা ইজরেলগা খুৎয়েক পীনখিবা এগ্রীমেন্টশিং মখা তানা ঙাক্লরোই হায়না প্রসিদেন্ট মাহমৌদ অব্বাসনা ফোঙদোকখ্রে। জেরুসলেমগী চিদাইদা লোনা য়াদবা মওংদা শাজিল্লিবনি হায়বা পলিষ্টিনিয়ন বিল্ডিং কয়া ইজরেলনা থুগায়খ্রবা মতুং শগোলশেল নুমিত্তা ইমর্জেন্সি মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা অব্বাসনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।
পলিষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ট অব্বাসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইজরেলগা মমাংদা খুৎয়েক পীনখিবা এগ্রীমেন্টশিং মখা তানা ইন্দনবগী ৱারেপ করম্না থবক্তা ওন্থোক্কদগে হায়বগী মতাংদা কম্মিটি অমা শেম্লগনি। সিক্যুরিটি কো-ওপরেসন য়াওনা হীরম কয়াগী মতাংদা নাকল অনীনা হৌখিবা চহী ২৫ অসিদা এগ্রীমেন্ট কয়ামরুম খুৎয়েক পীনখি হায়না ইরাই নুমিত্তা বি বি সীগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।
পলিষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্টগী ৱাফম অসিগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ইজরেলগী মায়কৈদগী খোঙথাং অমত্তা লৌখৎলকপা লৈত্রি। ইজরেলগী হায় কোর্টনা ৱেষ্ট বেঙ্কতা শারিবা ৱালগী মনাক কা হেন্না নক্লা শাজিল্লি হায়খ্রবা বিল্ডিংশিং অদুবু থুগায়খিবা মতুং হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ইজরেল অমসুং পলিষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।
মীওই ১৭গী ময়ুম-মকৈ লৈহনখিদ্রবা ইজরেলগী খোঙথাং অদুবু মালেমগী লৈবাক কয়ানা কন্দেম তৌখি। ইস্লামিক হমাসনা অব্বাসকী ৱারেপ অদুবু শৌগৎখিবগা লোয়ননা মদু অচুম্বা মায়কৈদা লাকপা মরু ওইবা খোঙথাং অমনি হায়খ্রে। পুন্না য়ান্নরবা প্লান অমগী মখাদা ৱারেপ অসি থবক্তা ওন্থোরকপগী ফিভমশিং পলিষ্টিনিয়ন মীয়াম্না য়াম্না থুনা উবা পাম্মী হায়নসু হমাসনা ফোঙদোকখি।
অব্বাসনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা, হমাস মুভমেন্টনা খুদক্তা নেসনল য়ুনিটি গভর্নমেন্ট শেম্নবা অমদি ইজরেলগা খুদক্তা সিক্যুরিটি কোওর্দিনেসনগী থবক লেপ্পবা আপিল তৌরদুনা খোঙথাংশিং অসিনা পলিষ্টিনিয়নশিংগী লোনা য়াবা পান্দমশিং ফংনবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুরৌশিং মায়োক্লবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## চাইনিজ ফোর্সশিং চঙহল্লি হায়বা নেভেল বেজ য়েংহনখ্রে



রিম, কেম্বোদিয়া, জুলাই ২৬ (এজেন্সি):
কেম্বোদিয়াগী নেভেল বেজ অমদা চাইনিজ ফোর্সশিং চঙবা য়াহনগদবা অরোনবা দিল অমা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখি হায়বা রিপোর্ট অমা অরানবনি হায়না উৎনবা হোৎনরদুনা কেম্বোদিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ইরাই নুমিত্তা রিপোর্টরশিংবু হিথাংফম অমগী মথৌ তৌদ্রবা জেটি অমসুং অকোয়বদা লৈবা বিল্ডিং খরা য়েংহনখ্রে হায়রি।
সাউদর্ন কেম্বোদিয়াদা লৈবা রিম নেভেল বেজদা মতম শাংনা লৈঙাক্কী চুপ্পি পায়রক্লবা প্রাইম মিনিষ্টর হুন সেনগী খ্বাইদগী নকশিন্নবা মপানগী মীচং লৈবাক ওইরিবা চাইনাগী ফোর্সশিং চঙহনবা য়াই হায়বগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নুংনাংবা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। পাউমীশিং নখোয়না ঙসিদি মফম অসিদা লৈরিবা খুদিংমক য়েংবিরো। সেটলাইট ময়াম অমা লৈবনা ঐখোয়না করিমত্তা লোৎপা ঙম্লোই হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন সুন সোচিৎনা নেভেল বেজ অদুদা পুরক্লিবা পাউমীশিংদা হায়খি।
রিমদা চাইনিজ ফোর্সশিং চঙহনবা য়ানবা চহী অসিদা চাইনানা কেম্বোদিয়াগা অরোনবা দিল অমা য়ানখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ৱাল ষ্ট্রিট জর্নেলগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখিবনি। রিপোর্ট অদুদা য়ু এস অমসুং মীচং ওইনবা লৈবাক কয়াগী ওফিসলশিংগী ৱাফমশিং পনখি।
অমরোমদা, কেম্বোদিয়ানা অসিগুম্বা এগ্রীমেন্ট অমত্তা কনাগুম্বা লৈবাক অমত্তগা খুৎয়েক পীনখিবা লৈতে হায়না পল্লদুনা ফোরেন ফোর্সশিং থম্বা নৎত্রগা চঙহনবা হায়বসি কেম্বোদিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা ওইগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি। নেভেল বেজ অদুদা খাল্লিবা নেভিগী পেট্রোল বোটশিং অমসুং অতৈ অকোয়বদা লৈরিবা ষ্ট্রকচর কয়া রিপোর্টশিংদা য়েংহনবগা লোয়ননা কেম্বোদিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিংনা মফম অদুদা চাইনিজ ফোর্সশিং লৈবগী নৎত্রগা চাইনাগা মরী লৈননা শেমগৎ-শাগৎপগী খুদম চাংদমশিং উবা ফংলোই হায়না ফোঙদোকখি। রিপোর্টরশিংদা য়েংহনখিবা বিল্ডিং অমদি য়ু এসনা কেম্বোদিয়াগী মীয়ামদা খুদোল তৌবা ওইনা শাখিবনি হায়রি।

## খুৎলায় পায়বা গেংনা সনা কেজি ৭৫০ হুরানখ্রে

সাও পাউলো, জুলাই ২৬ (এজেন্সি):
ব্রাজিলিয়ন ফেদরেল পুলিস ওফিসরশিং শারগা লাকখিবা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা হুরান-চিন্থি অমদি লুৎ-পাৎ তৌবা মীওই খুৎপু অমনা লেটিন অমেরিকাগী খ্বাইদগী মথৌ চিনবা এয়রপোর্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সাও পাউলোদা লৈবা গুৱারুলহোস ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী কার্গো টর্মিনেল অমদগী সনা কেজি ৭৫০ রোম হুরাল্লগা মফমদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
হুরান-চিন্থি তৌবা খুৎপু অদুনা পুখ্রিবা সনাগী ভেল্যু দোলর মিলিয়ন ৩০ গী মথক ওইগনি হায়রি। ইফে ন্যুজগী রিপোর্ট মতুং ইন্না শগোলশেল নুমিত্তা এসোল্ট রাইফলশিং পায়বা অমসুং ফেদরেল পুলিসকী য়ুনিফোর্ম অমদি বেজশিং থেৎপা মীওই কাঙবু অদু লেটিন অমেরিকাগী খ্বাইদগী মথৌ চিনবা টর্মিনেলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ব্রাজিলগী খ্বাইদগী চাওবা এয়রপোর্ট গুৱারুলহোসকী ৱেয়র হাউস অমদা গাড়ি অনীদা লাক্লগা হুরানবগী থবক অদু পাঙথোকখিবনি হায়রি।
ক্রিমিনেলশিং অদুনা মখোয়না চথুরিবদু কার্গো অদুবু নমদুনা পুনবা হোৎনবনি হায়না লাউথোকচখিবগা লোয়ননা সনা কেজি ৭৫০দু আরমর্দ সিক্যুরিটি ভান অনীদা হাপচিল্লবা মতুংদা টর্মিনেল অদুগী লোজিষ্টিক্স সুপরভাইজর অমা য়াওনা মীওই অনী ফারগা চেনখি হায়রি। ক্রিমিনেলশিং অদুগা লোয়ননা হুখিবা সনা ফাগৎনবা লমদম অদুদা ওপরেসন অমা হৌখ্রে হায়রি।

## সিরিয়াদা নুমিৎ ১০নি এয়র ষ্ট্রাইক চথুবদা মীচম ১০০ শিখ্রে

জিনিভা, জুলাই ২৬ (এজেন্সি):
সিরিয়ন গভর্নমেন্ট অমসুং মীচংশিংনা হৌখিবা নুমিৎ ১০ নি অসিদা স্কুলশিং, হোস্পিটালশিং, কৈথেলশিং অমসুং বেকরিশিংদা চথুখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদ অঙাং ২৬ য়াওনা য়ামদ্রবা মীচম ১০৩ শিখ্রে হায়না ইরাই নুমিত্তা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস চীফ মিচেল্লি বচেলেটকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।
এয়র ষ্ট্রাইকশিং অসি সিভিলিয়ন টার্গেটশিংদা ঙাক্তা ওইবনা মীশি-মীনা ময়াম অমা থোক্লিবসি খুৎশি খুৎনাম্থোক্কী থৌদোকশিং ওইফম থোক্তে হায়না ফোঙদোক্লদুনা মালেম্না অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিদা তুমিন্না লৈশিল্লি হায়নসু বচেলেটনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।
য়ানখিবা ট্রুস অমা থুগায়বগী থৌওং কয়া চথুরে হায়রদুনা প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদকী মায়োক্তা লাম্থেংনরিবা অৱাং নোংচুপ সিরিয়াগী ওপোজিসন এরিয়াদা গভর্নমেন্টনা এয়র রেইদশিং হৌখিবনি।

মতম/ শা-ঙা চারগনা হেন্না চিকপা অমদি খোঙ হাম্বা মতম কুইনা চঙবা, ফেষ্টুলাদা য়াম্না চিকপা নাবা তৌবা ফহনবগী ওজা MV. Kayamuddin বু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা শা-ঙা চারগনা হেন্না চিকপা অমদি খোঙ হাম্বা মতম কুইনা চঙবা, ফেষ্টুলাদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌবা, ফম্বা ঙমদবা, অমাংথোঙ অকোয়বদা লোইনা চাথৎলগা ফি থোংবা য়াদবা, অমাংথোঙ লূম-লূম লাউরগা লৈবা, শিংলি নাওরি শোম্থরকপনা চেপ্পা ঙমদবা, য়াংলেন শরূ নাবা, খোঙ হাম্বা মতমদা পুক য়েক্লগা খজিক খজিক লাকপনা হকচাং নুংঙাইতবা তৌরম্বা অদু MV. Kayamuddin Phundreimayum ☎ 8837496469 দা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Kayamuddin বু মতম চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু, মহাকপু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।
1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.
3. Tiddim Road Old Bazar, Police Station CCpur : 7:00 am to 4.00 pm.
থাগৎচরিবী : Elangbam (O) Chitralekha Devi
Khongang Pheidekpi
HL-P/3310/27

ওজা KABIRAJ ABDUL HAK পু থাগৎপা ফোঙদোকচরী

ঐ মতম শাংনা পাইলসনা নৈহৎতুনা অৱাবা খাঙদুনা লাকখি। লায়নাগী লায়ওংশিংদি :- মরক মরক্তা খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওবা, চেকখায়রগা থুপ্পা, চিকপা, শাবা, শৌজগী অকোয়বদা মকুপ-মকুপ লৈবা, শৌজগী মনুংদা পোম্বা, ইনখৎত্রি ফাওবা চঙদবা, শোকপা মতমদা য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বদা লিকপা, মপূং ফাবা ঙমদবা, খ্বাং নাবা, গ্যাষ্ট্রিক, চাবা তুমদবা, চানীংবা পোক্তবনি অদুবু ওজা কবিরাজ Abdul Hak, Contact No. 8014623756 কী মনাক্তা চৎতুনা তানজবদগী হীদাক চাদুনা শুপ্পগী নুমিৎ ১৫নিদা অনাবা অৱাবা পূম্নমক কোক্লে। অনাবা লৈতবগুম ওইরে। ওজা অবদুলবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।
ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-
1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30 - 4:30 p.m.)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.) (10 am to 4 pm)
HL-P/3428/27 থাগৎচরিবা : M. Sanjoy, Sekmai Bazar

/খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌরগা শিথরকপগুম তৌবা, শ্বর হোনবদা থবাক্তা য়াম্না চিক্লগা শ্বর হোনবা ৱাবা, চনীং তানা হোনবা ঙমদবা, হকচাং লূ-তোং চিকপা-নাবা ফহনবগীদমক ওজা অজাদবু থাগৎচরি



ঐ মতম কয়াগী মমাঙদগী এজমানা য়াম্না কন্না নাদুনা হকচাং য়াম্না শোম্থবা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌরগা শিথরকপগুম তৌবা, শ্বর হোনবদা থবাক্তা য়াম্না চিক্লগা চনীং তানা হোনবা ঙমদবা, হকচাং লূ-তোং চিকপা-নাবা, লোক কংখু খুবা, লোক খুবা লোইরকপদা হকচাং য়াম্না চোকথবা, থবাক খেবা, তূম্বদা শ্বর ফুনগৎপা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, পুক নাবা, নোং চুবদনা শ্বর হোনবদা য়াম্না ৱাবা, চানীং-থকনীংবা পোক্তবা, চারবসু হকচাংদা মচি ওইদবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, খ্বাং য়াংলেন নাবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, অহিং তূল্লবসু মীকপ তোয়না তোয়না থোকপনা মরম ওইরগা মপূং ফানা তূমদবগী হকচাং য়াম্না শোম্থরকপা, চাক এঞ্জাং মহাও খঙদবা তৌরম্বা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad Phusam বু হন্না হন্না থাগৎচরি।
ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Sat open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (Sun & Wed open)
4. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 9 am)
HL-P/3395/27 থাগৎচরিবা : M. Sanjoy, Uripok

সাহিত্য একাদেমি

মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবা ওটোনোমস ওর্গনাইজেসন অসিনা হেদ ওফিস, ন্যু দিল্লিগী পব্লিকেসন এসিষ্টেন্ট (অনরিজার্ভ)কী ফমগীদমক্তা এপ্লিকেসন কৌজরি।
অকুপ্পা মরোলশিংগীদমক্তা http://www.sahitya-akademi.gov.in দা লোগ ওন তৌবিয়ু।
davp 09104/11/0022/1920 Advt No. : SA/50/8/2019

/ হায়নীংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



সুধাকর (শামু)

শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক, ইম্ফাল আই টি আই মনাক্তা লৈবা নুঙগী লায়েংবা ওজা লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানুপা লাইশ্রম সুধাকর (শামু) গী হীদাক চাবদগী ঐগী ইচানুপীগী ওই থংবা কিদনিদা লৈবা নুঙ তাজরে। মসিগীদমক্তা মপা ঐনা সুধাকর (শামু) বু থাগৎচরি।
থাগৎচরিবা : টি সরতচন্দ্র শর্ম্মা
লমদিং এলাং লৈকায়
HL-P/3476/27